
# থৌরমগীচে ১





☞ লাইয়েক অসে যেংলগা অঙাংশিংদা ফোংনা ৱারীৱাতাই শান্নহনগনি।
☞ লাইয়েক অসিদ অঙাংশিংনা করি করি শান্নরিবনো হংগনি।
☞ লাইয়েকসিদা যাওরিবা মশানাশিংসে শান্ন হনগনি।

# ঐ খোয়গী ইমুংমনুং



অসিনা ঐগী নুংশিরবী ইমানি
মাইথোং নোক্লালৈবীনি,
অসিনাঐগী ইনাওনুপী অপিশকনি
অদুমতা জগোই শাদুনা লৈবীনি।





অসিনা ঐগী পাবুংনি
মখুত্তা পে অমা পাইবনি,
অসিনা ঐগী ইপুবোকনি
ইবোকনা কৌরিবনি।




অসিনা ঐগী ইতোন নি
ঐখোয়বু লুনা তৌবনি
অসিনাঐগী নুংশিবী ইন্দোমচানি
নুংশিনা লুনা তৌবীনি।



অসিনা ঐগী নুংশিবা ইনাও নিপানি
অথুম্বা যাম্না চাবনি,
কদায়দা করিগুম্বা ফংলবদি
মচেগীদমক্তা লোৎনা থম্বনি।

☞ শৈরেংসে খোন সেংনা শক্কনি অদুগা অঙাংশিংদাখোনথোক মান্ননা থেকনা কোৎনা শকহন গনি।
☞ লাইয়েক সে যেংলগা ফোংনা ৱারীৱাতাই শান্নহনগনি।
☞ ইমুংমনুংগী মরিশিংগী মরমদা হায়বিগনি, যুমগী থবক্তা মতেং পাংবা অহনশিংদা খুরম্বা অঙাং শিংদা নুংশিবিবা। অমসুং যুমশাবু লুনাতৌবিবা, অকোইবা লুনাহেন্না থম্বগী থবক কয়াদা থৌনা পিবিগনি।


## থৌরমগীচে ৩




☞ অঙাংশিং পুন্নমক্লা যুম অমগী ইমুসুং মনুংগী মীওইশিংগী লাইয়েক শকতম য়েকহনবিগনি অমসুং কনাগী শক্তম য়েকলিবানো অঙাং পুন্নমকতা হায়হনগনি। হায়রীবা থৌরম অসিদা ওজানা অঙাংশিংদা মতেং পাংবীগনি।

## থৌরমগীচে ৪


(ক)




(খ)



(গ)




- (ক) নং লাইয়েকসিদা ফুট্‌শিংদো ওইদগী যেৎলোমদা শমজিনহনগনি।
- (খ) নং লাইয়েকসিদা ফুট্‌শিংদো মথক্তগী মখাদা শমজিনহনগনি।
- (গ) নং লাইয়েকসিদা ফুট্‌শিংদো মখাদগী মথক্তা শমজিনহনগনি।




# থৌরমগীচে ৫

(ক)




(খ)



☞ তেনজিনগী মাইয়োনতুংইন্না ফুটশিং পেঞ্চিলনা শমজিন্নহনগনি।



## থৌরমগীচে ৬



☞ অঙাংশিংদা অকোইবা, কোনা অহুম অমসুং কোণামরিগী শওং খংহননি।

☞ শওংমতুং ইন্না অকোইবদা অঙাংবা, কোণাঅহুমদা যাইঙাং মচু অমসুং কোণামরিদা শংভানবামচু থাহনগনি।


☞ অকোইবদগী মখল মখলগী পোৎ খোমজিনলগা অঙাং শিংদা মদুবু উহনলগা করি করি শওংনো খংনবা হোৎনবিগনি।

## থৌরমগীচে ৭

১।



২।



☞ ১নং লাইয়েক অসিয়েংলগা ২নং লাইয়েকসিদা যাওদবা শরুক শিংদো থিনা  পুথোকলগা যেকহনবিউ।

☞ ২নং লাইয়েকসে মচু থাহনবিউ।


☞ মীৎকী পাঙ্গল শোনবা অঙাং শিংদা সমান্নবনা তেংবাং হনগনি।



বনমইনা বনমইনা
উমং উমং কোইরি
উমংগী বকুললৈ খুনলগা
সিনথুংনা যেনলি।
বলেননা হায়রি বনমইনা
ঐঙোন্দসু বকুল লৈ পিউ
লৈঙোইগী যুমদা ঐখোয়না
বন মইনাবু লূহোংবিগনি।


☞ শৈরেংসে খোন সেংনা শক্কনি অদুগা অঙাংশিংদাখোনথোক মান্ননা থেকনা কোৎনা শকহনগনি।

## থৌরমগীচে ৯



☞ পরেংখুদিংদা মান্নদবা শিংদুদা ◯ কোইশিনহনগনি।

☞ মান্নদবদো করিগী মান্নদ্রিবনো হংবিগনি।



- অঙাংশিংদা ফুটশিং শমজিন্নহনলগা শওংসে মপুং ফাহনগনি।
- খবাইদগী অচৌবা কোনা অহুমদাওং অঙাংবা, খবাইদগী অপিকপা কোনা মরি শওংদা হঙ্গামমপান মচু অদুগা খবাইদগী চাওবা অকোইবা শওংদা শংভানবা মচু থাহনগনি।

